CHEIRAOBA SPL.
VALID UPTO 13TH APRIL
32" = 81CM LED (TV) ₹ 17999
40" LED (102CM) ₹ 28500
24" LED 61CM
3 YRS WARRANTY
₹ 11800
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

facebook.com/sanaleibak.daily

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00
E-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com

CHEIRAOBA SPL.
VALID UPTO 13TH APRIL
80 LT REFRIGERATOR ₹ 8490 = 8000
DELIVERY FREE
150 LT REFRIG = 8400 WITH STAND
170 LT REFRIG = 9500 WITH STAND
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
CHEIRAOBA SPL.



চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তেংনৌপলদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ লাকপদগী অমাঙ-অতা থোকহনখিবা য়ুমশিংগী মনুংদা য়ুমথক হুমদোকখ্রবা য়ুম অমগী ওইরিবা শক্তম

থাঙ্গাল বজারগী মফম অনিদা পুলিস কম্মান্দো কাঙবু অমনা চথখিবা কোম্বিং ওপরেসন্দা মীওই কয়া অমা দিটেন্দ তৌদুনা চিংনবা মীওইশিং খন্দোক্লবা আই-কার্দ চেক তৌখিবা



Vol : 41 Issue : 142 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal, Friday, April 10, 2015 ইরাই, শজিবুগী ২১ নি পানবা

লৈবাকসিগী পাউ | ষ্টেটসিগী পাউ | এডিটোরিয়েল | মখল মখেলগী কলম | মপান লৈবাক্কী পাউ | শান্নবগী পাউ

## অহানবা কাখল

**ৱাখলগী চিঙ্গাক**

মাংজবা অমদগী নহাক্না তমজহৌবা ঙম্লবদি নঙোন্দা মাংজবা লৈতে

## ঙসিগী অঈং-অশা

ঈংবা চাং : ১৪°
শাবগী চাং : ২৭°
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৯৫

## মনুংগী লমায়দা

**লমায় ২ ঃ**
- লেন্দ বিলগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙচৎ চংখ্রে "মোদি সরকার মীনম্বা সরকারনি"
- রাজনাঠ তেংবা লিফ লেপখিবদগী রুফ হোগাইদুনা লৌথোকখ্রে

**লমায় ৩ ঃ**
- ফয়ার সার্ভিস দে পাঙথোক্তুনা চয়োল অমা চুপ্পা দিমোন্সত্রেসন তৌগদৌরি
- মপিথেল দাম শাবা লেপ্পু হায়বা দাবীদা সাইকল রেল্লি চংখ্রে

**লমায় ৪ ঃ**
- মাইনর ইরিগেসনগী ৱাথোক (এডিটোরিয়েল)

**লমায় ৫ ঃ**
- প্রিপিঐচদি ষ্টেট হল্লোইদবগী মরম এম য়ু ওথোরিটিনা শেংদোক্কদবনি ঃ দেসাম

**লমায় ৬ ঃ**
- য়ু এস দিফেন্স চিফ লাকপগা লোয়ননা অৱাং কোরিয়ানা মিসাইল কাপখ্রে
- ইটালিগী কোর্ট অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ২ শিরে

**লমায় ৭ ঃ**
- ইন্দিয়ানা কনাডাবু পাঞ্জল ৫-৩দা থোইরবসু টাইটলগী লমজেলদি য়াওবা ঙম্লরোই
- ইন্দিয়া ফিফা রেঙ্কিংদা ১৪৭দা হাইগৎখ্রে

**লমায় ৮ ঃ**
- ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫
- প্লেয়ারস ত্রোফি কাঙ টুর্নামেন্ট কে কে সি ও এলাংবম লৈকাই মায় পাকখ্রে

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫দা

# এনইসিগী ৬৪শুবা প্লেনারি মীফম নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ঃ নুমিৎ নিনি চুপ্পা চখগদবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী ৬৪ শুবা প্লেনারি মীফম ঙসিদগী নিউ দিল্লিগী স্কোপ কমপ্লেক্সতা লৈবা স্কোপ ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে। ঙসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্টকী গভর্নরশিং, চিফ মিনিষ্টরশিং, ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং সেন্ত্রেল মিনিষ্ট্রিশিংগী সেনিয়ার ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদু হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা য়ুনিয়ন দোনর মিনিষ্টর ডা. জিটেন্দ্র সিংহনা হায়,য়ুনিয়ন বজেট ২০১৫-১৬তা ইন্দিয়ান প্রাইভেট সেক্টর পার্টিসিপেসনগা লোয়ননা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংদা মেন্যুফেকচরিং হবশিং হাঙদোকপনা লেন্দ লোক ওইরবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিং-গী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী লমদা চাউনা কান্নহনগনি।

অসামদা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমা লিংবা, নাগালেন্দা আই আই এস ই আর অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা সেন্টর ফোর ফিল্ম প্রদক্সন,এনিমেসন এন্দ গেমিং লিংখৎপগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা ৱাফমশিং পনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম কিরেন রিজি-জুনা হায়, ষ্টেট অমদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা পায়খৎকদবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং অসি ষ্টেটশিং অদুগা তান্নরগা লেপকদবনি। শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎপা মতমদা পোলিটিক্সকী মফম লৈতে অমসুং মসিগী থবক খুদিংমক ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং মরি লৈনবা মিনিষ্ট্রিগা নক্নবা মরি থমদুনা চংশিনবা তাই।

চাউখৎ-থৌরাংগী থবক পায়খৎপা মতমদা শেঙ্গা-থুমজা হায়বসি মুখৎপা তাই। নোর্থ ইষ্টকী লমদা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী পোটেন্সিয়েলশিং অসি য়েংলগা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা নোংপোক্তা য়েংবা মীৎয়েং থল্লকপনি।

ঙসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুগী মখা তারকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎশিংনা নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন্দা পায়খৎলিবা অচৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং-গী প্রোগ্রেসশিং পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসনগী খুত্থাংদা নৈনখি। ঙসি অয়ুক্কী সেসন্দা মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজ, রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ, সিভিল এভিয়েসন অমসুং টুরিজম, লোয়ননা ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন উৎখি।

নুংথিলগী সেসন্দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা বোর্দর ত্রেদকী মতাং-দা হৌজিক লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টশিং, লেন্দ কষ্টম ষ্টেসনশিং, বোর্দর হাটশিং, বেঙ্ক অমসুং ভিসাগী খুদোংচাবশিংগী মতাংদা লৈরিবা ফিভমশিং শন্দোক্না তাকখি। দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল সর্ভিসনা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুজনগী অমসুং বেঙ্কিং সর্ভিস ইশুশিংগী মতাং-দা পুথোকখি। মিনিষ্ট্রি ওফ পৱার, হ্যুমেন রিসোর্ছ দিবলপমেন্ট, স্কিল দিবলপমেন্ট অমসুং এন্টরপ্রেন্যুরশিপ, দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসন অমসুং নোর্থ ইষ্ট স্পেস এপ্লিকেসন সেন্টর সিল্লোংনসু মখোয়না নোর্থ ইষ্টতা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

হয়েং নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট নিপানগী গভর্নরশিং অমসুং চিফ মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী ওইবা ৱারোলশিং পীগনি।

মীফম অসিগী মনুংদা এন ই সিগী শেনবা চহি ইং ২০১৫-১৬কী চহিগী প্লান অমসুং গ্রোস বজেটরি সেপ্পোর্ট অদুসু লেপথোক্লবা য়াই হায়না পান্নরি।

ঙসিগী মীফম অদুদা মণিপুরগী গভর্নর কে কে পাউল, চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি, চিফ সেক্রেটরি পি সি লোমকুঙা, এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর, কম্মিস্নার প্লান্নিং বিনিট জোসি, সেক্রেটরি টু গভর্নর টি ঐচ চিত্তরঞ্জন, ডাইরেক্টর প্লান্নিং ডা. টি ঐচ মুনিন্দ্রো, জোইন্ট দাইরেক্টর প্লান্নিং এন কুলকর্নি, দিপ্যুটি ডাইরেক্টর ত্রান্সপোর্ট বি কে শর্মা অমসুং ও এস দি এদুকেসন এল ইবোয়াইমসু শরুক য়াখি।



# স্কুলশিং দিষ্টর্বেন্স ফ্রী জোন ওইহন্নবা মিনিষ্টরনা অপিল তৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯: মণিপুরদা লৈরিবা মখল খূদিংমক্কী মহৈ তম্ফম শঙশিং-দা কনাগুম্বা অমনা মরম অমা নৎত্রগা অমগী অথিংবা পীবনা মহৈরোয়শিং-গী একাদেমিক এদমোস্ফিয়ারদা চাওনা অকায়বা থোকহনবনা মহৈ তম্ফমশঙশিংবু 'দিষ্টর্বেন্স ফ্রী জোন' ওইহনবীয়ু। মসিদা পূম্নমক্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা অপিল তৌখ্রে।

মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপ অমনা মণিপুরদা লৈরিবা কেথোলিক স্কুলশিংগী মথক্তা অথিংবা থমদুনা মতম কক্তনা থোঙ লোলহল্লিবা অসিদা সরকারনা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা মদুগী মতুং তারকপদা মরি লৈনবশিংদা অপিল অসি তৌখিবনি।

কেথোলিক এদুকেসনেল সোসাইটি মণিপুরনা সোসাইটি অসিগী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিং নীংথিনা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না সরকারদা চে থাদুনা ৱাকৎলকপা অমসুং কেথোলিক স্কুলশিং মতম কক্তনা থোঙ লোনখিবদগী স্কুলশিং অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং-গী অৱাবা য়েংদুনা হিরম অসিগী মতাং-দা খন্ননবা অখন্নবা মীফম অদু ঙসি নুং-থিল সেক্রেটরিয়েট নোর্থ ব্লোক্তা লৈবা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা নুংথিল পুং ৪ তাবদা পাংথোকখিবনি।

এদুকেসন মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা পাংথোকখিবা মীফম অদুনা এদুকেসন (এস)কী লিঙ্ক কম্মিস্নর, পি ৱাইফে, দিপ্যুটি কম্মিস্নার (দি সি) ইম্ফাল ৱেষ্ট, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) ইম্ফাল ৱেষ্ট, জোইন্ট সেক্রেটরি এদুকেসন (এস) এম দি অব্দুস সলাম, ডাইরেক্টর এদুকেসন (এস) এন প্রভিন সিংহ অমসুং দিপ্যুটি সেক্রেটরি এদুকেসন (এস) ঐচ মাথঙ সিংহ অসিনচিংবনা সরকারগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা কেথোলিক এদুকেসনেল সোসাইটি মণিপুরগী মীহুৎশিং অমসুং কেথোলিক স্কুলশিংগী ফাদর, সিষ্টর কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা, সরকারগী মায়কৈদগী কেথোলিক এদুকেসনেল সোসাইটিদা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম অমা থমহনখি। মদুদা লালহৌলূপ কে সি পি (এম সি)না প্রাইভেট স্কুলশিংদা অপুনবা সিটকী চাদ ১৫ লায়রবা মহৈরোয়শিংবু লেম্না মহৈ তমহন্নবা সিট খাক্কদবনি হায়না খঙহল্লকখি। মদু ঙমদবদগী স্কুলশিং থোঙ লোন্নবা লালহৌলূপ অদুনা পাউ চেংী খুত্থাংদা খঙহল্লকপদগী থোঙ লোল্লিবনি হায়বা ৱাফম কেথোলিক এদুকেসনেল সোসাইটিগী মায়কৈদগী থমখি।

ৱাফম অদু তাবদা, "কনাগুম্বা অমনা পাউ-চেদা স্কুল থিংউ হায়নবু হেক হায়রক্লবদি কেথোলিক স্কুলশিং থোঙ লোনগদৌরিব্রা?" হায়নসু মিনিষ্টরনা হংবগা লোয়ননা স্কুলশিংগী থৌওং অদুদা পেন্দবা ফোংদোকখি।

গভর্নমেন্ট লৈরিবনিনা ৱাফম খূদিংমক গভর্নমেন্টতা হায়রক্কদবনি। মদুদা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি। কেথোলিক সোসাইটিনা হৌজিক গভর্নমেন্টতগী করি মতেং পাম্বগে হায়নসু হংখি।

মখোয়গী অৱাবদা সরকারনা চপ চানা মতেং ▶ মখা লমায় ৫দা

# শক্লাইরবা শৈরাংবা, ওঝা, মণিপুরী সহিত্যা পরিষদকী লাইফ মেম্বর, অইবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা নোঙ্গাখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯: মণিপুরী মতম ঈশৈগী লমদা শক্লাইরবা শৈরাংবা অমদি শৈরেংবা অমা ওইনা মীয়াম্না শকখংনরবা মতম অমগী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফলগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওইরম্বা বাচস্পটিময়ুম জয়ন্তকুমার শর্ম্মা (বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা) ঙসি নুং-থিল পূং ৩ তাবা মতমদা রিমসকী আই সি য়ুদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে।

মীয়াম্না শকখংনরবা শৈরেংবা অমদি শৈরাংবা অমসুং মতম অমগী সাহিত্যাগী লমদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা মণিপুরী কলচর অমসুং সোসাইটিগী লমদা অচৌবা থবক কয়া পাংথোক্লম্বা মীওই অসিনা লৈখিদবদা মশামক্না ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা অম্মিক্কী মায়কৈদগী অৱাবা ফোং-দোকপগা লোয়ননা কাঙলুপ অসিগী সেক্রেটরিনা থোকপা মেসেজ অমদা শৈরাংবা অমদি শৈরেংবা অসিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাংথোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমত্তা পাংথোক্তনবা খংহনখ্রে।

লৈখিদ্রবা শৈরাংবা, অইবা অমদি শৈরেংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা ইং ১৯৩৫গী জনুৱারি তাং ১৪দা বাচস্পটিময়ুম ওংবী নৌবী অমদি বি অঙৌবা শর্ম্মাগী অহানবা মপারি ওইনা মালেমদা খোঙদারকখি। সি সি হায় স্কুলদগী ১৯৫৩দা মেত্রিক পাস তৌরবা মতুং দি এম কলেজদগী ১৯৫৮দা আর্টস গ্রেজুয়েট ওইখি। ১৯৫৭দগী ১৯৬১ ফাওবা সি সি হায় স্কুলগী এসিষ্টেন্ট টিচর ওইনা থৌ পুখি অমসুং ১৯৬১গী জুলাই ৯দগী এ আই আর গৌৱাহাটি ষ্টাফ আর্টিষ্ট ওইনা চংখ্রবা মতুং ১৯৭২দা এ আই আর ইম্ফালগী প্রদ্যুসর ওইখি অমদি ১৯৮৯দা এ আই আর কোহিমাগী এসিষ্টেন্ট ষ্টেসন ডাইরেক্টরগী থৌ পুখি অমসুং ১৯৯১গী আগষ্ট ৩১দা থবক্তগী পোত্থাখি।

নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্না শৈরেং, ঈশৈ ইবদা অমসুং লীলা-দ্রামা ▶ মখা লমায় ৫দা



*লৈখিদ্রবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*

# মরাম-পেরেন লম্বী বি আর ওদা শিন্ননবা তকশিনখ্রে

এম আই সি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ঃ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ শম্নরিবা মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা মরাম পেরেন লম্বী শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অসি বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন-দা শিন্নবীনবা মণিপুর গভর্নমেন্টকী রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপনা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজদা তকশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা মিনিষ্ট্রি অসিগী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগা পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রিটতা লৈবা ত্রান্সপোর্ট ভবন্দা উনদুনা লম্বী অসি শেম্বগী থবক অসি বি আর ওদা শিন্ননবা তকশিনখিবনি ।

উনবা অদুদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হৌজিক্না নেসনেল হায়ৱে-১২৯। এ কৌরবা মরাম পেরেন লম্বী অসি শেমজিনবগী থবক লোইশিনবা তারবদি মসিনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ অনিমক্কী য়াম্না কান্নগদবা লম্বী অমা ওইগদৌরিবনি। ইং ১৯৯১দগী কিমি ১১৮.৮৪ শাংবা মরামদগী পেরেন ফাওবা চৎলিবা লম্বী অসি লেন অমগী লম্বী শেম্বগী থবক বি আর ওনা তৌরকপগা লোয়ননা মতম চানা লোইশিনখিবনি।

ইং ২০০৬কী দিসেম্বর ৬তা লম্বী অসি দবল লেন ওনবগী থবক চিফ মিনিষ্টরনা মরাম সেন্টরদা হৌদোকখি অমসুং তাম্ফুং খুলদা অনৌবা এলাইনমেন্ট শেমগদবা লৈবনা মতেক খরা নত্তনা হৌজিক অয়াম্বা লোইরে।

মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লদুনা মিনিষ্টরনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ইং ২০১৪গী নবেম্বর ৭তা লম্বী অসি ▶ মখা লমায় ৫দা

## মীয়ামদা অপিল তৌজরি

যুনাক্কো গ্রুপকী মখাদা লৈবা স্কুল, মেদিয়া হাউস, অতৈ মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন / ইন্সটিট্যুসনশিং থিংজিল্লগনি হায়না মীয়ামগীদমক থবক তৌবীরিবা লুপ অমনা হায়রিবসি মরাল লৈজদবা স্কুলগী মহৈরোয়শিং, গ্রুপ অসিগী মখাদা থবক তৌদুনা ইমুং-মনুং পুজরিবা স্কুল ওঝাশিং, ইমপ্লোয়ীশিং-গী ওইরিবা অমদি ওইরক্কদবা ফিভমশিংগী য়েংলগা অথিংবা অসি লৌথোকপীয়ু হায়না মরী লৈনবা পূম্নমক্কী মফমদা অপিল তৌজরি। মখা তানসু অথিংবা থম্বীদনা মথৌ তৌজবা ঙমহনবীয়ু হায়জরি।

অপিল তৌজরিবশিং
যুনাক্কো গ্রুপকী মখাদা লৈবা ইমপ্লোয়ীশিং

SL/B/10

## লোইরেদনা

নোং তারে নুংশা শারে উফুল ঙাওফম লৈত্রে ঐখোয়সু তাইবী নংগী হৈনৌখোন্দা ঙাওশিল্লকউ হায়বরো?



ও... নুংঙাইরেদা ওন্থোক্না নিয়ম চুম্না ঙাওইদা...!!

# 'সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা এমএসদিপিগী থবক পায়খৎলবা য়াই'

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ঃ মতম শাংনা সেন্সস রিপোর্টতা চয়েৎনবা লৈবনা মরম ওইরগা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ব্লোক অহুম মাও মরাম, পাওমাতা অমসুং পুরুল ব্লোক্তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়ার্সকী মখাদা পায়খৎপা মল্টি সেক্টোরেল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এম এস দি পি)গী থবকশিং থিং-দুনা থল্লকপা অদু পায়খৎপা য়ানবা থবক লৌখৎলগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ মাইনোরিটি এফেয়ার্স ডা. নজমা হেপ্তুলানা থাজবা পীরক্লে হায়না মণিপুর গভর্নমেন্টকী রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ-গী মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপানা ফোংদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা 'সনালৈবাক'তা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না এম এস দি পি প্রোজেক্ট অসি সচার কম্মিতি রিকমেন্দেসনগী মতুংইন্না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা লৌখৎলকপা স্কিম অমনি। মসি গভর্নমেন্টনা সেন্ত্রেল স্পোন্সর স্কিম অমা ওইনা ১১ শুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মখাদা পায়খৎপগা লোয়ননা ইং ২০০৮-০৯ দগী মাইনোরিটিশিংনা চাদ ৯০গী চাংদা খুন্দাবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎপনি।

প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা মপুং ওইনা নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল, কৈথেলশঙশিং শাবা, মহৈশঙ শাবা, অনা-লায়েংশঙ শাবা, সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ সেন্টরশিং শাবা অমসুং রুরেল হাউসিংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াওরিবনি।

প্রোজেক্ট অসি মণিপুরগী ওইনসু অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎখ্রবসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ব্লোক অহুম সেন্সস রিপোর্টতা চয়েৎনবা থোকপদগী প্রোজেক্ট ▶ মখা লমায় ৫দা

# নেসনেল গ্রীন ত্রিব্যুনেলনা অথিংবা থল্লকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ ঃ লম্লোঙ্গৈ ভিলেজদা লৈরিবা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া অসিগী মতাং-দা লম্লোঙ্গৈ প্রজাশিংগা অমদি মণিপুর সরকারগা মমাং চহিদগী য়েৎনদুনা লাকখি। মসিগী মতাংদা মণিপুর হায় কোর্টতা কয়ারক হন্না হিয়ারিং চখত্রবসু কান্নবা অমত্তা ফংদবদগী নেসনেল গ্রীন ত্রিব্যুনেলদা ৱাকৎলুবদা তাবীদুনা কোর্ট অসিনা মণিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি খুদক্তগী লেপ্লবা খঙহল্লকখ্রে হায়না লম্লোঙ্গৈ য়াইফ থৌদা নুপী মরুপকী সেক্রেটরি থাংজম ওংবী রত্নানা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবকী ওদিটোরিয়মদা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সেক্রেটরি রত্নানা হায়, লম্লোঙ্গৈ ভিলেজদা লৈবা লাঙ্গোল রিজ-ার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াগী মফম অসি লম্লোঙ্গৈগী মীয়াম্না সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ফোরেষ্ট প্রোটেক্সন কম্মিটি অমা ১৯৯৬ তা শেমদুনা ঙসি ফাওবা কন্দুনা অমদি ঙাক শেন্দুনা লাকখি।

অদুবু ইখং খঙহৌদনা মমাং চহিগী মেগী ৯ দা ▶ মখা লমায় ৫দা

## মীয়ামদা খঙহঙ্গবা

Icon Financial Services Pvt. Ltd. Khongman অসি পোরোম্পাৎতা হোংজরে। মীয়াম্না অকুপ্পা মরোল মেনেজরগী মোবাইল নম্বরদা ফোন তৌবীরক্লগা খঙবিবা য়াগনি।

Manager
Icon Financial Services Pvt. Ltd.
Mobile No.: 7308629766

SL/B/10

## মীয়ামদা খঙহঙ্গবা

খোঙমন Zone-III (West) তা লৈরম্বা UNACCO গী Head Office পোরোম্পাৎ JNIMS ROAD SBI, Porompat Branch, Imphal East মনাক্তা হোংজরে।

Nodal Officer
UNACCO GROUP

SL/B/10

## ! হেক্তা হায়জিনবা !

- সার, ইং তপ্পা শান্তি লৈবা ষ্টেট হায়বসিবু করিনো?
- আ... করিসু লৈবা ৱা নত্তেদা, ঈরাং হৌরক্ত্রগা লোইরে।
- হায়দি সার, সার হোয়না পৈশা ধমাদা হুরবসু...।
- য়েস... মদুদা ঈরাং হৌরোইদবা।
- সিফাই, পুলিসনা রেপ তৌরসু মী হাৎলসু?
- হোয়নে, ঈরাং য়াওদনা এক্স গ্রেসিয়া পীয়ু, থবক হাপ্পু হায়রগা লোইরে।
- ময়াং ময়াম থোমজিল্লক্তুনা ঐগী লম মুনখ্রসু য়েং লৈ তাবনিনে?
- মদুনা চুমদ্রে, মখোয়সু ভারতবাসিনি ঐখোয়সু ভারত মচানি কৈনো।
- বর্মানা লম খোপচিল্লকপা, নাগালেন্দনা লম খোপচিল্লক্রবসু তুমিন লৈগদবা?
- য়েস রাইট, তুমিন লৈগদবনি ঐখোয়না তৌগদবনি।
- নমদুনা লৌশিনখিবনি, মণিপুর মনিং তমহনগদবনি লাল হৌরিসিসু হৌদবা তাবনিনে।
- উম... হৌরোইদবনি।
- ও... ৱাখল তাজরে।

# মণিপুরগী মমি নুমিৎ থৌরম পাংথোকখ্রে

## মশাগী রিসোর্ছ লৈতবা ষ্টেটতি হিংবা ঙম্লোইদবা ফিভম লাক্কদৌরিঃ গাইখাঙম

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ঃ ভারত অসি মশাগী রিসোর্ছ মতিক চানা লৈজবা ষ্টেট অমমম ওইহন্নবা হোৎনবা দরকার ওইরে। মসি নত্রবদি রিসোর্ছ লৈতবা ষ্টেটশিং হিংবা ঙমদবগী ফিভম লাক্কদৌরি হায়না দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না ফোংদোকখ্রে।

ঙসি এম এফ দি সি ওদিটোরিয়মদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইটিগা খুৎশম্নরগা পাংথোকখিবা ৯ শুবা মমি নুমিৎ থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীবদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়, ষ্টেটশিংদা সেন্টরনা মমাংদা পানখিবা গভর্নমেন্টশিংনা সেন্ত্রেল পুলশিং শেমদুনা মদুদগী অহেনবা শেনফমশিং থাদদুনা অসিগুম্বা লায়রবা ষ্টেটশিং অসিদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং তৌরকপনি।

অদুবু সেন্টরদা অনৌবা গভর্নমেন্ট লাকখিবদগী হৌজিক হান্না লৈরিবা পুলগী চৎনবী অসি মুৎখিবা য়াবগী ফিভম অমদা লাক্লে। প্লান্নিং কম্মিসন্নচিংবা কয়া মুখৎখ্রে। পুলগী রিসোর্ছশিং অসি থাদরকপা তোকখিবা য়াবগী ফিভম অমদা চংশিল্লক্লি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিনা তাল্লিবা দরকার ওইবা প্লানগী ▶ মখা লমায় ৫দা



পীরকপা প্লানগী শেনফম অসি ষ্টেট ষ্টেটতুগী রিসোর্ছগী মতুংইন্না য়েংলগা লেপ্পনি। অদুবু মণিপুরগুম্বা রিসোর্ছ লৈজদবা লায়রবা ষ্টেটশিংগী ওইনা

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Khongman Zone-III (West), Imphal East District, Manipur
website : www.unaccoschool.in e-mail - info.unaccoschool@gmail.com

## NOTICE

*Khongman, the 8th April, 2015*

No.1/12/11-US: Parents/Guardians are informed that opening of Classes for the Academic Session 2015-16, scheduled on 9/4/2015, has been extended to another date which will be intimated to you in advance.

*Sd/-*
*Prasenjit Chakraborty*
*Principal*

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501